ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯟ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯸꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুন ২০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৮৫শুবা মশীং

কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলকপা

কাঙলোন শোয়রবা লোকদাউন অমসুং মতাং চাদবা অনলোক

লোকল গভর্ণমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিং নত্তনা ইন্দিয়াগী মফম পূম্নমক্তা লোকদাউনগী অথিংবা কোমথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলক্লে। হৌখিবা মার্চ ২৫দা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৫০০ রোম য়ৌরকপগী অদুৱাইদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনি। লোকদাউন থল্লকপা থা অহুমলোম ফাজিল্লক্লবসু কোভিদ-১৯গী কেস মশীং লাখ ৪ রোম য়ৌশিল্লক্লে। নোংমা খক্তদা অনৌবা কেস ১৩,০০০ হেন্না হেনগৎলক্লবদা লোকদাউনগী কান্নফম খঙদ্রে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়খি, লোকদাউননা মীচম-মীয়ামদা অৱাবা নংহনবা নত্তনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবদা থোইদোক্না কান্নবা ফংদ্রে। হেল্থ এক্সপর্টশিংনা রাহুলগী ৱাফম য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, ইন্দিয়াদা করিগুম্বা লোকদাউন তৌরমদবা তারবদি কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক শোয়দনা ওইরম্লগনি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেটশিংদি মহারাষ্ট্র, টামিল নাদু, দিল্লি, গুজরাট, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, হরিয়ানা অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরনি। মতম খরা ফীভম লাকশিল্লুরবা কেরলাদসু হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস মশীং নৌনা অমুক হেনগৎলক্লে। লায়না-লাইচৎ অসিগী ইপিসেন্টরনি হায়নরম্বা চাইনাদগী মহারাষ্ট্রনাকেস মশীং য়াম্বা হেল্লে। মণিপুরদসু নোংমা-নোংমগী অনৌবা কেস মশীং হেনগৎলক্তুনা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা থাক য়ৌরক্কদৌরে। ষ্টেট অয়াম্বদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলক্লবসু অনা-লায়েংদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবগী অৱাবা মায়োক্লরি। হোস্পিটালগী ফমুং কোন্নরক্তবা, ভেন্টিলেটর মশীং ৱাৎপা অমসুং ওক্সিজেন সপ্লাই মরাং কায়দবগী ৱাফম মফম খুদিংমক্তা তাবা ফংলি। থা অমগী মমাঙদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা কোভিদ-১৯ লায়েংনবগী মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না লাউথোকখ্রবসু দিল্লিদা হৌজিক অনাবা মীওই কয়া মতম চানা লায়েংবা ঙমদবদগী শিরি। মহারাষ্ট্র, বিহার, উত্তর প্রদেশ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনচিংবা ষ্টেটশিংদসু হোস্পিটালগী ফমুং কোন্নদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। অনা-লায়েংদা মথৌ তাবা পোৎলম অয়াম্বসু লৈশিল্লক্ত্রে হায়রি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা টেষ্টিং কিট মরাং কায়না লৈতবনা ষ্টেট অয়াম্বদা টেষ্ট তৌবগী চাং কা হেন্না নেম্লি। ইন্দিয়ন কাওন্সিল ওফ মেদিকেল রিছর্স (আই সী এম আর)গী গাইদলাইন্দা পাক-শন্না টেষ্ট তৌবা মথৌ তারে হায়বা ৱাফম য়াওরবসু ষ্টেট অয়াম্বা টেষ্ট তৌবগী চাং নেম্লিবসি লাইবক থীবনি।

অমরোমদা, লৈঙাক্না লোকদাউনগী কাঙলোন কোমথোক্তুনা মফম খুদিংমক্তা অনলোক তৌনবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিরেটারি পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানখিবদা অনলোক ২.০গী থৌরাং লৌখৎপা হৌরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খঙহনবা লৈখ্রবনি। ষ্টেট পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা অমুক হন্না লোকদাউন তৌরগনি হায়না মায়কৈ কয়াদা তোকঙা শন্দোরকপা থেংনরে। মীয়াম্না অরানবা ৱাফমদা থাজবা থমলোইদবনি। মীপূম খুদিংমক কোভিদ-১৯ মায়োক্লবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌমিন্নবগা লোয়ননা অনলোক ২.০গী মতাংদা শেম শাবা মতম ওইরে হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবী মতাংদদি লোকদাউন লৌথোকপা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। অদুবু নোংমা-নোংমগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা হেনগৎলক্লিঙৈগী চৈরকসিদা লোকদাউন লৌথোকপনা করি ফীভম ওইহল্লক্কদগে হায়বা কনানসু খঙবা ঙমদ্রি। অনলোক ১.০দা শেন্মীৎলোনগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অয়াম্বা কোমথোকখিবা মরম্না খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ অসিগী কেস মশীং অঙকপা ফংনা হেনগৎহল্লে হায়না মায়কৈ কয়াদগী মরাল শীনরক্লি। ষ্টেট অয়াম্বদা হোস্পিটালগী ফমুং কোন্নরক্তবদগী অনাবা মীওইশিং মতম চানা লায়েংবিদ্রে হায়বা ৱাকৎ কয়া তাবা ফংলি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, মতাং-মতম চানা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং লৌখৎহৌদবা মরম্না ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপনি। ইন্দিয়াদা লায়না অসিগী অহানবা কেস থেংনখিবা মতমদা লোকদাউন তৌরম্লবদি ফীভম লাকশিনবা ঙম্লমগদবনি। য়াম্না থেংনা মতম হেল্লগা লোকদাউন তৌখিবনা কান্নফম খঙখিদবনি। চপ মান্নবা মওংদা মতাং-মতম চাদনা লোকদাউন লৌথোকপা তারবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথীবা মায়োক্লরগনি হায়নসু অখঙ-অহৈশিংনা মোৎ পীরি। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী নীংলক-নীংলকপা থবক তৌবগী মহুত্তা অশানবা মীৎয়েং থল্লগা অখঙ-অহৈশিং তানদুনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎহৌবা চুমগনি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

শোয়দা-ঙামদনা লৈবা ওইরসনু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

চৎনবীগী চৎনবী অমা ওইনা হৌজিকপু তৌদবা য়াদবদৌনা অয়ূক ঙন্না য়াকাইরোলগী ঈশৈ শল্লকপা লমদমসিদা য়াওরি। মফমদি হায়রুদনা করিবু কান্নগনি। অসুকক্কী মতিক থৱায় ৱানরবা মতমসিদা য়াকাইরোলনা করি তৌদৌরিবা? তিলশোন-লাইশোন হায়বসিতবু তৌদবা য়াদবনি খল্লবা অশোয়বা অমা লাক্তনিংঙাই লৈরোই। মরমদি হৌজিক্কী মতমসিদা, তাঞ্জাসিদা য়াম্না মরু ওইরক্লিবসি কোরোনাভাইরসকী লাইচৎসি করম তৌনা ইশা-ইশাদা চঙহল্লোইদগে হায়বসিনা মরু ওইরবনি। লাইচৎসি চংদনবা ঐখোয় করি তৌবা তাই। লৈঙাক্না পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিংসি ঙাক্না চৎপদা শোয়নীংঙাইগী মচাক্তি লৈত্রবনি। লাইচৎসিগী হায়রুরবদি লমদমসিদা মীয়াম পুনগদবা মফম কয়া অকক্লবা মশীং পীবা থোইদোক হেন্দোক্না ফরবনি। কনানা করি লাইচৎসিগী ফীভমসিদা হায়বা ঙম্বা নত্তে। মপান্দগী হল্লকখিবা মীওইশিংসিনা হল্লকপা মতমদা মহিকসি য়াওরকপনা লমদমসিগী ওইনা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং হেনগৎলিবনি। লমদমসিদা লেংদনা লৈজবা মপানগী শরুক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌজদবা মীওইশিংদি লাইচৎসি চংলক্কনি থাজবা ৱাৎলনি। অদুবু তম্বা ঙমদবা লায়ওং লাইচৎনিনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস মশীং তাথবা ওইরবদি মীপাইনিংঙাইদি ওইদবনি। মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা লাইচৎসিনা লৌউ-শিংউবদা চাথোক লৈবা ফৌ চারা ওইরম্লবা কয়াদা নুংঙাইগবনো? মালেমসিদা লাইচৎসিনা মীওই কয়া তাইবঙপান থাদোক্কনি হায়বা ঙম্বা নত্তে। অসুক য়াম্না শাথীখ্রবা লাইচৎসি ফনবা হীদাকসিদংগা মতম চানা লৈরম্লবা অৱাবা কোঙ্গাই কোক্কদৌরিবনি। অশি-অনাগী থবক থৌরমদা ফাওবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ইমুং মনুংখক্তমক পাঙথোক্লবা মশীং কয়ানি।

কোরোনাভাইরস লাকপদগী ধুম-ধামগী থবক অসিদা মনা-মনিল নাইদ্রবনি। অমদগী অমদা য়াম্না থুনা লৌনগনবা লায়না ওইবনা লৈঙাক্লসু অথিংবা থম্বা মসিনা মরম ওইদুনা পুংজাও থিন্দুনা মী তিনবগী থৌওংসিমদি য়াওদ্রবনি। লাইচৎসিমদি লৈহন্নীংদে, য়াম্না থুনামক লৈতবা ওইরসনু, অদুবু লাইচৎসিনা মরম ওইদুনা লাইনিং-লাইশোন থৌদোক-ৱাথোক্তা চেকমুক লাওদবা মসিমা ফত্তে হায়বা য়াররোইদবনি। কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না অকি-তুজুংগা লোয়ননা লৈজরিবা অসিদা অমুক অরেপ্পা মমল লৈররোইদবা পোৎলম কয়া লল্লোনবা য়াওদে হায়বা য়াবা নত্তে। মমলনা অতিয়া য়ৌরবসু অপাম্বা পোৎতি অদুমক ফংনবা ঙাক্তনি। তৌবতবু মমল ৱাংখৎলি হায়বগী ৱানি। লৈরম্মী হায়দুনা ঙাম্হক্তা হাপ্তুনা হিদাকফু পাল্লগা মৈখু চবুন-চবুন কাপথোক্লম্বা ‘হীদাক’ হৌজিকপু কদায়দা ফংগনি? লৈদি লৈরমই মসি শেল পায় হায়দুনা থিবদা অৱাবা হায়বা অদুমা ওইদনিংঙাই লৈরোই। লোকদাউনগী কাঙলোন থুগাইবা মীওইশিং পুলিসনা ফাবদা পেঞ্জদবা কনা অমতা য়াওরম্মোই। হরাও মথোইদা থৱায় য়াওগদবগী মহুত্তা মায়থীবা পীনবা ঐখোয় ময়াম চঙদুনা কোরোনাভাইরসকী লায়না অমুক হন্না মালেমসিদা লাক্তনবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তুনা চেকশিন্না লৈবদা খরমখৈদি শাফদনিংঙাই লৈরোই। লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা পূম্নমক ঐখোয় মীয়ামগীনি। কনাগীসু নত্তে। হৌজিক চথরিবা লোকদাউন লোইখিদুনা মখা তারক্তবা ওইরসনু। মসিমক মীয়াম্না থোইদোক্না পাম্নরবনি। হন্দক্কী মতাংসিদা মীরমদা লমদমসিগী মীওই কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদু তশেং-তশেংনা খঙলে। মপান্দা লৈরুবা মখোয়শিংসি থাজ-থাজনা অদুমক পোজিটিভ ওইরম্লিবসিনি। পূম্নমক কনাদা ৱারৌদৌরি? লমদমসিদা লৈবসু, মপান্দগী চঙলকপা লমদমসিগী মীওইশিংসু শোয়দা-ঙামদনা লৈবা ওইরসনু।

অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

কিখিগদ্রা কিররোইদ্রা?

ৱাইরু-ৱাইরুবদা



দাং-দাং-দাং, ফিৎচুং-ফিৎচুং... কোক্তগী ঈ হাথরে, থোপ চাইরে, থবাক্তগী ঈখেং হাথরে, ঈঙাং পাক্তক্লরে, ইমু পামফেন্নরে অদুদৈ, য়াইবী থৱায়গা শামু হকচাংগা ঈখাইনরে। মী কনা অমত্তা শিবা পামদে, তাইবঙপানবা অসিদা মীনি হায়দনা পোক্লবা, ৱাখল মচা অমা খনবা ঙল্লবা মী অদু শিবা পামদে, শিবসু কি। লায়র-অনং খায়দনা, নুপী অঙাং, নহা, অহল, হনুবা কনা অমত্তনা শিবা কিদবা অমত্তা লৈরোই। হু থক্তুনা, থৌরি য়ান্দুনা শিনরিবা ময়াম অসিদি মখোয়দি তোংঙানবা অমনি। খন্নরুবদা মতিক চাদ্রে, খন্ননবগী ক্বালিফাই ওইদ্রে, অদুনা দিসক্বালিফাইদ ওইরে।

শিবা কিনবদগী ৱাকিং চৎনরে। অফ-অফবা হোস্পিটাল থি-থিদুনা লাপ্পা চৎতুনা লায়েংবা চৎনরি। রিছার্স তৌদুনা হীদাক পুথোক্লরি। নহা কুইনা ওইনবা, পুন্সি নুংশাংনবা, শিদনবা, অফবা ডোক্তর, স্পেসিয়েলিষ্ট তানরি। কৈসু কায়দে, তরেৎলক পোকইদি হায়নবা তরেৎলক তশেংনা পোকপ্রা হন্দক মপোক অসিনা কয়াশুবা মপোকনোদি খঙদবা মপোক অসিনা হিংননবা লাইরেকপা য়াদে। শিবা হায়বসি হিংদুনতা লৈবা পামজবা মীওইবগী য়েক্লবনি।

শিবগী খুদোংচাবা লৌরগা অচৌ-অচৌবা টেররিষ্ট গ্রুপ কয়ানা শোল্লবা মীওইবা কৌবা মাবু হাৎকনি হায়দুনা কিহল্লগা শেল তান্নে, মিসাই কাপশিল্লি, বোম লংশিল্লি। সুইসাইদ স্কাদ শেমদুনা মীরক্তা পোকখায়মিন্নরগা মী খরা শিহল্লগা অতৈ লেমহৌরিবা ময়াম্বুসু হাৎলক্কদবা মালহল্লগা মখোয়গী অপাম্বা ফংনবা লাক্লে। শেল থোক্কদবা মী ফাজিন-পুনশিল্লগা হাৎকনি হায়রগা রেন্সম তান্নে। শিবা কিবনিনা শেল অদু পীথোক্লগা হিংদুনা লৈনৈ। শিবা হায়বসি কনা অমত্তনা পাম্না লৌনবা নত্তে। চিরবা মতমদা নৎত্রগা তঙাইফদবা মতমদা শিনবগী ৱানি। মীগী মচানুপী পোপ পোপ লাউবদু ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা (রেপ তৌরগা) হাৎলুবা হিংচা য়াইতম্বা মিতম্বালশিং অদুসু মথ্বায় হিংনীংদুনা ঐখোয়বু হাৎপীগনু, ঐখোয়বু হাৎপীগনু হায়দুনা কোয়চেন চেন্দুনা খাঙনৈ। মীবুদি হাৎকে অদুগা ঐদি শিবা কি হায়বা ৱাদুদা তারে।

শিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা শেল কয়া তাল্লি। শেল কয়া তিংনরি। তৌশিন্নবা হৈবা পোলিটিসিয়নশিং অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা ঐদি লৈবাক্কীদমক থৱায় ফাওবা থাদোক্কনি হায়দুনা রেদিও, টেলিভিজন অমদি পাউচেদা কোয়লাউ লাউই। লৈবাক অসিদা চরা হেল্লগা শিনি হায়দুনা লাউথোকখিবা মীওই কয়া অমা চহী ৯০ য়ৌনীংচিৎ নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পাল্লন্নগা শিনখিবা কয়ানি। লৈবাক্কীদমক শিগনি হায়দুনা ইরায় লায়না লাউথোকপা অদুগা নুমিৎ নীনি হুমনি লৈরগা পুলিসনা অমুক জেলদা থম্নবা ফাগৎপা লাকপদা মোমোন মোমোন নোকচবা। কনাসু শিবা পামদে অদুনা জেল য়ৌরগা চরা হেনবা কায়রে হায়দুনা চাক অদুম চাবা। শিবগী খুদোংচাবা লৌবা হৈবা কাঙবুগী ৱানি। মরম অদুনা কনাগুম্বা অমনা লৈবাক্কীদমক শিবিগে হায়বা ৱাফম অসি হায়রমদাইদা ৱাখল য়াম্না খলহৌরগা হায়হৌদ্রবদি বেরানি। ওইদবা ঙাঙবা মীনি হেক্তমক হায়নগদৌরিবনি। মরমদি লৈবাক্কীদমক শিবীগে হায়রম হায়রম্বা মীওই কয়া লৈবাক্কীদমক শিবীবগী মহত্তা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা জেলদা (কৈশুমশঙদা) চহী খরা খরদি মপুন্সি লেনখিবা কয়ানি। হিপক্রিট (অফবা-শাবা মী) ঙাক্তা ঙাইরকই।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯না অহানবা খোঙদারকপা মতমদা মীয়াম শিরগনি হায়না য়াম্না পাখৎনখি। মীৎ চপ য়ুংনখি। লৈকায় লৈকায় শম্বল খানখি। লোকদাউন অঙকপা ফংনা কনখি, লোকদাউনগী মথক্তা কর্ফিয়ুনা মপাঙ্গল, মতিক-ময়াই খংকন কনখৎহনখি। মীয়াম থোঙ লোল্লগা থোঙনাও মখুলদগী লম্বী য়েংবা নত্তনা তৌনখিদে। শোর হোনবফাওবা মী লৈত্রবা মতাং য়েংলগা হোন্নখি। লৈকায় লৈকায় দিসইনফেক্ট তৌখি। চান-থক্লবা য়েনবা লাকখি। মাস্ক লৈবা ফংনখিদে, সেনিটাইজর সেনিটাইজর হায়দুনা মীচম-মীয়াম অতোন-অতানা লৈবা লাকপা ঙম্বা পোৎ ওইখিদে। শিবা কিবদগী মপাল থোক্লখিদে। অমনা অমবু মহীক কৌতা ওইনা লোইনা উনখি। সোসল দিষ্টেন্সিংগী ৱাফম লৈরম্মী।

হৌজিক্তি অনাবা মশীং চাক্রুক হেল্লে। লোকদাউন কোমথোক্লবা হৌরক্লে। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকউদি হায়রি, ঙাক্তবসু উরি, থোইদোক্না মী য়ামদ্রিঙৈদৌনা পঙচেক চেকশিনবা উদ্রে। কোভিদ-১৯না শিনি হায়বগী মিপাইদ্রবা নহা-অহল কয়া নুমিৎ খুদিং ফাদুনা ফাইন তৌবগী পাউ তারি। মপান লৈবাক্তা লায়না অসিনা মী কয়া শিরি। মণিপুরগীদি তাইবঙ মপুনা চানবীরি। শিবসি ঐ কিখিসিরা কিরনুসিরা হায়বা ৱাহং অমদি লাক্লি। ●

অসামদসু মৈতৈলোন লোন্দবা

নবকুমার ওইনা

অসিয়ৌনা চয়েৎনবা লোন অমা মালেমদা লৈরমদৌবা মাল্লক্ত্রে। মতৌ অসুম্না মৈতৈলোন কৌবা লোন অমা লম্মাংনরগা মাঙখিবা/মাঙহনখিবা হায়বসিদা ইকায়বা পোকপা মীওই লৈত্রবরা? মসিমক শেমদোকপা ঙমদবা অসিদি লাঞ্জং অমা ওইনা লৈবগুম তৌরি। পাংদবশিংগী পাংদবদু উৎথোক্লি।

ঙরাংতনি পাউচে অসিদা য়াওরকখিবা ‘অসামদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা লোনগী মতাংদা মীফম ফমদুনা খন্ন-নৈনখ্রে’ হায়বা ৱাফমসি পারুবদা খল্লকপা, খঙবা ঙমদবা, হায়দোকপা ঙম্নদবা ৱাফম খরা ইনিংলকপদুনি। লোন অসি নুংশিবা নুংশিদবা অদুগসু শম্নদে, লোন অসিগী শক্তম খঙবা ৱারকপা, ঙাঙনরিবা মীশিংগী অনীংবা অপাম্বা করিনো খঙলক্তবা অসিমক শেংদোকপা নৎত্রগা খঙদোকপা চুম্লব্রা খল্লকপদুনি। মীওই অমনা হেক্তা শেমদোকপা য়াগদৌবসু মাল্লক্তে।

মণিপুরদা মৈতৈলোন্না ওফিসিয়েলগী লোন ওইরিবনি হায়বদি য়ারে, শীজিন্নবনা ইংলিসনা ওইনরি। ওফিসিয়েল ওইরে হায়বগী মণিপুরী লোন হায়রিসিগী লোজিক্কেল ওইবা ৱাপু অমা ময়েক শেংলব্রা? ফুরুপ ময়াম পুল্লগা লৈরিবা মণিপুরদা লৈবা মীওই অয়াম্বনা ঙাংবা ঙম্মী হায়বগী মণিপুরী কৌবদা শীজিন্নরিবা গ্রাম্মার অসিবু করি লোনগীনো? লোন অসিবু নুংশিবীবদগী করি মওংদা শেমগৎপীরিবনো, মমিং ওস্থোক্লগা হাত্তোকপা নৎত্রিবরা? লোন অসি নৈনরিবশিংনসু ঙসি ফাওবা মঙক মেৎলগা থম্বা ওইনা উনরি। মৈতৈলোন হায়বা পাম্নদবগুম তৌরিবসিমক খুদুং ইনবদা অশেংবা খঙদবা তারক্কদৌরি। মৈতৈলোন্দুবুনি মণিপুরী কৌবনি হায়রিসিবু করি লোন ওইগদৌরিবনো? মণিপুরী হায়বা ফুরুপ অমা লৈবসু নত্তে, ত্রাইবেল খরনদি মণিপুরী হায়বসি শীজিন্নদে, ‘ফ্রোম মণিপুর’ ওইনা শীজিন্নবদি লৈ। লোন অসিবুদি মৈতৈলোন অদুম কৌই, তঙাইফদনদি ঙাঙবা ঙাঙনীংদবা য়াওবসু মাল্লি, মৈতৈলোন থোক্তবা মৈতৈ মচাসু লৈরবনি। মণিপুরী থোক্তবা মণিপুরীদি ময়াম লৈ। মণিপুরী হায়বা য়াদবসু লৈ, ঙাঙজনীংবসু লৈ।

অসামদা লৈবা মণিপুরীশিংনা মণিপুরী ঙাঙদবা ময়াম লৈ। মারখোলেন্দা মণিপুরদগী মার চৎলবদি মার লোন অদুম ঙাঙনৈ। মার লোনসু মণিপুরদদি মণিপুরী লোন অমনি। তাঙ্খুল লোনসু, কুকি লোনসু, কোম লোনসু, কবুই লোনসু মণিপুরী লোনশিংনি। মণিপুরী হায়রিবা ৱাহৈসিবু লাইরিক হৈবশিংনা করি হায়রিবনো? মীরা, লোল্লা? কনাবুনো হায়বা খঙলক্তবা অমা য়াওরক্লি। মণিপুরদা লৈবা মীবু (ময়াংসু, নেপালিসু) মণিপুরী কৌরি। ময়াং মরোলশিংসু, নেপালিসু মণিপুরী লোন ওইরে। ৱাখলদা লৈবগা ফিল্ডদা লৈবগা মান্নরক্তরে।

অসামদা নৈনরিবসি মণিপুরগী ফুরুপ অয়াম্বা য়াওব্রা? মার, কুকি, তাঙ্খুল পূম্নমক্কী লোন পূম্নমক অসাম গভর্ণমেন্ট অমদা খঙহনগদৌরিব্রা? মৈতৈ খরনা মৈতৈলোনবু খঙবীয়ু হায়রক্লগনা কমদৌবা? অসাম গভর্ণমেন্ট ঙাওগদৌরি। মণিপুরী লোন হায়রগদি লোন ময়াম অমনি হায়না খনখ্রবদি থবক্লা কমদৌবা। মৈতৈশিংনা মণিপুরদসু লৈত্রবদা মৈতৈলোন ঙাঙদ্রিবা করিগীনো? মারশিংদি মার অদুম ঙাঙই হায়গনি (অসামদা)। মৈতৈনা মৈতৈলোন কৌনীংদ্রিবনা করিগীনো? মশক তাকচবা ঙমজদবা কাঙবুরা? লোনয়ান হাপচিনবদা থৱায় য়াওনরম্বদু থাদোকপা ঙম্নদ্রিবরা, ফুরুপ ওনবা তারক্কদৌরিব্রা? মৈতৈলোন খঙদবসি মৈতৈনা মহেল্লে। মৈতৈদি মুৎখ্রবনি (মমিং ওনখ্রবনি) মরোলসু মাঙখ্রবনি, মরৈবাকসু মাঙখ্রবনি, মথৌনাসু মাঙখ্রবনি, মরীলসু মাঙখ্রবনি হায়বদা তাদ্রবনি, পুম্মুৎ মুৎখ্রবনি হায়বা তারবনি।

তশেংবসু মৈতৈলোন হায়নরম্বদুসু মৈতৈখক্তগী লোন নত্তে, চীংনা কোয়বগী ফুরুপ পূম্নমক্কী লোন য়াওনা তোৎশিন্নরবা লোন অমনি। লিদা-লিরবা মৈতৈলোন ঙাঙবা তারবদি ঙসিগী মীয়াম্না খঙবসু ৱানরগনি। তোৎশিন্নরবনি হায়বদগী লৈবাক অসি মণিপুর কৌরবনিনা লোনসু মণিপুরী কৌরে হেক্তা হায়বসিগী সুপরমাইন্দুনা খল্লিবদু চীং-তম মীয়ামগী ওইখ্রিব্রা? মদু খঙলগা ঙসি ফাওবা চৎনরিবা করিগীনো? থবক শূদে, ৱাখল খন্দে, ৱা খঙবা ঙমদে, থৌনা য়াওদে হায়বনি। অচুম-অরান খঙবা ঙম্বগী থৌনাসু য়াওদে হায়বা তারকপদুনি।

অসামদা খন্নরগা মমুৎ তাবা ঙমগদৌবসু মান্দে। তৌবতবু ৱাপু ময়ামসি ময়েক শেংনা খন্নরগা কনাদা করম্না হায়রগা চুমগদগে হায়বসি খন্থহৌবনা চুম্বরা হায়বসি থমজবনি। লোনগী মতাংদদি য়ুনিভর্সিটি অমনা থৌবু ওইবসু য়াগদৌবা মান্দে। মালেমগী মৈতৈ লৈবা লমদা মণিপুরী তমজগে হায়বসি তাংখুলনা, কুকিনা হায়য়ু য়াগদৌবা মান্দে। লোন্দু চুমগদৌবা মান্দে, তম্বা ফংবা-ফংদবগী ৱাদুনা অমনি। ত্রিপুরাদা, ম্যান্মারদা, বাংলাদেশতা হায়বা মতমদসু মৈতৈদি মৈতলোন তম্মু, মণিপুরী হায়রবদি নমিং চুমদে হায়রক্লবদি তম্বা ফংদবসু য়ারিবনি। মৈতৈলোনবু মণিপুরী কৌই হায়বগী মহুৎ মৈতৈলোনসু মণিপুরী লোন অমনি হায়গেরা, হেন্না চুম্না হায়রগনা মৈতৈলোনসু মণিপুরগী লোন অমনি হায়বা তারকই। য়াম্নমক পামজখ্রবা ৱাহৈ হায়বদুনি - মণিপুরদা মণিপুরীনা, মণিপুর-মহৈশঙশিংগী মণিপুরী তম্বীবদা মণিপুরী (মচা) অমনা হেক্তা মণিপুরী ওজা ওইবা য়াই। মীতোপ অমনদি খঙবা ৱাগদৌবা মাল্লকই। লোন অমা ওইবগী পাউ ফাওনবা ঙমগদৌরিব্রা? মণিপুরদা মণিপুরীশিংদা মণিপুরী তম্বীবদা মণিপুরী লোন অমা ঙাঙবা ঙম্বা মণিপুরী নৎত্রগা নন-মণিপুরী ওইরবসু মণিপুরী ফজনা খঙবা ওইগদৌবনি। হায়রিবসিদা করিবু লাল্লিবগে? পাউ ফাওনবা ঙমদ্রবদি ঙাঙলিবনা লানগদৌরিব্রা, তারিবনা লানগদৌরিব্রা?

মণিপুরী লোনবু মৈতৈ ময়েক্না ইগনি হায়বসি লোনা য়ারব্রা? ইংলিস লোন্দু জপান ময়েক্না ইবগুম্বনি, জপানসু মতম অমদা ইংলিসনা পাল্লম্মী। খুমন্না, মোইরাংনা মমালোন থাদোক্লগা মৈতৈলোন লোনখিবগী ৱারী লৈব্রা, লান ঙমখ্রগা লোন হোংনব্রা? মৈতৈদি অৱানা পানবদা কবো মরোল লোনখিব্রা? তাংখুল লোন, কুকি লোন তোঙান্না তম্নবগুম মোইরাং লোন, খুমন লোন তম্নরকপা তারিব্রা? ওজাদি লৈরদরা? মান্নবমখৈ মৈতৈলোন কৌগদৌবনি হায়বদি য়ানদবা লৈবসু য়ারিবনি। মরম অদু লৈবদগী মণিপুরী কৌবদা মতেং পাংশিনখিব্রা? মৈতৈশিংনা মণিপুরদা লৈবা নৎত্রবসু মণিপুরী অদুম কৌনীংবগী মরম করিনা ওইফম থোকপগে? মণিপুর খঙদবা, করি ওইফম থোকই খঙদবগী ওইরগনি হায়রিব্রা? লোন থোক্তবশিংগী লোন লৈ হায়নরি, লোন থোকপশিংগী লোন লৈরক্তবদুনি। লোন থোক্তবশিংনা করিবু হায়গনি।

লোন অসিদা ইবা লাইরিক কয়াদা মনা-মথুম ফংনরে। মৈতৈলোন হায়রগা ফংবা ইয়াও য়াওদে। ইরাল লান্না উহল্লি হায়বা য়ারি। লানবসিদি লায়বু লায়রি, লাল্লি খঙদনা অওইবা ওইনা উহন্নবা হোৎনরিবনি খল্লুরগদি নোক্লিংবা পোক্লরম্বসু য়াওরমগদৌবা মাল্লক্লি। নাকল অমদনা লিলা মাল্লকপসু য়াওরি, থৌরম-থৌদোক তোয়শিল্লকপগুম উরকই। মালেমগী থাক্তা লোন নৈনবগী ৱাফম কয়া পুশিল্লক্কনি, থৈদুনা অদুম চৎখিনি, অরাংফম্না থোকউ-থোকউবা তৌখিবা মাল্লক্কনি। তুং ইল্লিবশিংনা য়াও মাল্লকপগী ৱাফম য়ৌরক্লে, মাঙদা লৈরম্বা কোমদা তাশিনখিবদা কনাসু মেক লাওনদবা মাল্লক্কদৌরি। হন্না য়েংলকপা কনাসু য়াওদ্রিবরা?

অমরা-অমরা ফুরুপ ময়ামগী লোন ফাওনলোন অমদি লৈরে। লোন অসি মীতোপ্না পায়রগা শিল্লম্বা মতম অমদা মপু পাল্লুদ্রে, তম্বীরুদ্রে হায়বা য়ারে। হৌজিকসু মীতোপ্না তম্বীবা মাল্লি। লোনগী শক্তম মপূং ফানা য়াৎপা ঙমদ্রি, লোন-কাঙলোন মপূং ফানা পুথোকপা নৎত্রি, ৱাহন্থোক্কী পুক্কে (দিক্সনারি) মপূং ফাদ্রি। কাঙবু খরনদি মাঙজোংদা মনা-মথুমগী, স্কুল কোলেজদা তম্বীবগী লমজেল য়াওনরিবগুম উনরি। লোন অসিগী হৌরকফম পুথোকপা ঙমদবগুম নৎত্রগা মদুদা শৌগত্তবা মাল্লকপা (মখোয়না পামজবা অমদা শাগৎপা পাম্বা) ময়ামসিনা লোন অসিমক মরায়বক চুমদবা লোন অমা ওইহল্লি। অশেংবা শক্তম অমদা ফুরুপ ময়ামসিনা মাগী মাগী লোনশিং য়াওনা শাগৎখিবগী ৱারী খঙলকপা মতম অমদদি লোন অসিগী শক্তমসু অনৌবা অমদা চঙশিল্লকপা য়ারি। লোনগী লোনগৈ অমসুং ইটায়মোলোজিগী ৱাহন্থোক কয়া পুথোকপদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ ময়ামগী লোনশিং শীজিন্নদবা য়ারক্তবা লাক্কদৌরিবনি। মতম অদুদদি তিনখুন ওইনা লৈরম্বা নাকোংশিং শিংলক্কনি, লান্না অরাংফম ওইরম্বশিং মমিৎ-মনা শিংলক্কনি। লোন অসিদি ঙসিগী মমিং কৌরক্লরোই, কয়াৎ শুনা শক্তম অমা শাগৎলকপা ঙম্লগনি। ঙাঙনবা মতমদসু কোক য়ৌনা খঙনরকখিগনি। হৌজিক খূৎনাওবী হায়বদা খঙদবা অঙাং ময়াম লৈরক্লবনি, য়াইঙং মনাও, মৈতৈনাও হায়বসি য়াইঙংপোকপী লোন্নি হায়বনি। লুসাইনা মোইহরাং হায়গনি, লম্লহাংদোং, লম্লহাং গেট হায়গনি। লমকাদি খঙদবা, উ-কাদি খঙবা লমখায়দি খঙবা হায়বসি লোন তম্নদবগী ওইফম থোকই। তম্নরকখিনি। লংখায় হায়বনা চুম্লবদি লমকা হায়বনা চুমগদৌরি, লমখায় হায়রবদি শম্নবা ৱারগদৌবনি। চুম্বা চুমদবনা অমনি খুদমগী ৱানি।

মসি খঙনা অসামদা ঙাঙনবা ঙম্লব্রা? মণিপুরী কৌই নুংশিবীয়ু হায়গদৌবা নত্তে, অখঙবা য়াওরম্লবদি নোক্লখিনি। চুম্নগী তমফম থোকই হায়বদুনা অমনি, দেমোক্রেটিক রাইট অমনি। ম্যান্মারদসু হায়বা তারকপদুনি, রাইট হায়বসি হায়বা ঙম্বা অমা চঙলি। সনা অহিংবা, তাওরোইনায় নিংলবসু সনা খূত্তুনা ফৌরেল চাক ইল্লক্কদৌবা লৈতে খঙবা তঙাইফদনা চঙই। মদুগীদমক লোন চুম্বা চংই, লোন খঙবা চংই, লোন তম্বা তঙাইফদে হায়বনি। মরোল লোন্দবা কাঙবুগী মরোল মাঙখিনি, মরৈবাক মাঙখিনি, মশা মাঙখিনি।

মরোল চুমদ্রবদি মরৈবাক য়োনবা চিংই হায়গনি। কনবা হায়বদা হেঞ্জিনবসু য়াওবা য়ারিবনি। ৱাথোকশিং অসিগী মরম লোইনমক লৈজবা ৱানি, পুৱারীদা য়াওবা ৱা ঙাক্তনি। কনানা করি হায়রিবনো, করিগী হায়রিবনো হায়বগী মরম লৈজবঙাক্তনি। লাইনা নত্তে, মীননি, মী ওইবগী ৱাখল চংই। মী ওইনরক্তবা মতমদা মী মান্নরক্তবা ওইগদৌরিবনি। দেমোক্রেসিসু ওইসনু, পাউ পীরুদ্রবদি লোন তমজগে হায়রবসু শেল্লেপ কায়থোকপীরক্তবা মশানা তারকই। মরম চারবদি য়ারোইদৌবসু লৈতে, লোন য়োনবা ওইনদি পাম্নরক্তবা য়ারিবনি। নোংপোকলোমগী মরূ হুল্লগা হৌরকপা লোন অমনা নোংচুপলোমগী মিং থোল্লগা মীনুংশি ফংগনি খনবা ওইরবদি লোন অমগী হৌরকফম মুথুৎলগা য়োনবা তারকপগী মহয় কনানা চাবা তারিবগে?

লোন য়োন্থোকখ্রবা মীশিংগী ফুরুপ অমা ওইনা হিংলি হায়বা য়াররোই। ফুরুপ্পুগী লৈবাক অমা লৈবা হৌনদ্রে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।